# সনালৈবাক স্পোর্টস

FRIDAY, JANUARY 11, 2014, PAGE 7




*মেলবোর্ন পার্কতা চত্থরিবা অষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী ক্বালিফায়িংদা মায় পাক্লবা বৃটিশকী শান্নরোই ষ্টেফিনিস ফোরেটজ গাকোন্না বোল য়েবা*

*অনিরক হন্না আই পি এল দা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা চেনাই সুপর কিংগী স্কিপর এম এস ধোনি অমসুং মহাক্কী টিম মেটনা ক্রিজদা লৈবগী শক্তম*



## হেরো হোকি ৱার্ল্ড লিগকী অহৌবা মেটচতা অর্জেন্টিনানা নেদরলেন্দবু থোইখ্রে





Hero HIL HOCKEY INDIA LEAGUE

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ১০ঃ* ন্যু দিল্লিগী মেজর ধ্যানচান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী লৈবাক ৮ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা হেরো হোকি ৱার্ল্ড লিককী ওপনিং মেটচতা অর্জেন্টিনানা নেদরলেন্দবু মায়থিবা পীখ্রে। পুল বিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা অষ্ট্রেলিয়ানা বেলজিয়মবু ৩–২ দা থোইখ্রে।

ইন্দিয়ানা যুম্ব ওইদুনা লৈবাক ৮ গী ওইবা হেরো হোকি ৱার্ল্ড লিগ অহৌবা নুমিৎকী পুল এ গী মেটচতা লন্দন ওলেম্পিক্তা সিলভর মেদল ফংখিবা নেদরলেন্দবু অর্জেন্টিনানা গোল্ড ৫–২ দা মায়থিবা পীখি। ঙসিগী মেটচ অদু হেক হৌবগা টিম অনিমক্কা মখোয় মখোয়গী টিম মায় পাক্নবা হোৎনদুনা শান্নরকখি। মেটচকী অনিশুবা মিনিটতা ফংবা অর্জেন্টিনাগী পেনালটি কোর্নর অমদা গোনজালো পাইলাটনা গোল অমা চন্দুনা নেদরলেন্দ টিমবু মায়থিবা পীনবগী অহানবা লম্বী য়াৎপা হৌবগা লোয়ননা অর্জেন্টিনাগী গোল একাউন্ট হাংখি।

অর্জেন্টিনা হৌজিক ৱার্ল্ডগী ওইনা হোকিগী রেঙ্কিংদা ১১ শুবদা লৈরিবা লৈবাক অমনি। মেটচকী ৫ শুবা মিনিটতা ফংবা নেদরলেন্দগী পেনালটি কোর্নরদা মিনক ভেন দ্রি না গোল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌবা ঙমখি। অদুম ওইনমক অর্জেন্টিনানা হনবা লৈতনা হোৎনবগা লোয়ননা মেটচকী ৮ শুবা মিনিটতা ফকুন্দো কিলোনিনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ২–১ দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। অহানবা হাল্ফকী মতম ওইবদা অর্জেন্টিনানা গোল হেন্দুনা লৈখি। সেকেণ্ড হাল্ফ হৌদুনা টিম অনিমক্কা মখা তানা শান্নরকখি। মেটচকী ৫০ শুবা মিনিটতা নেদরলেন্দগী সেভি ভেন অসনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা দ্রো ওইহনখি। নেদরলেন্দনা গোল চনখ্রবা মতুং মিনিট ৬ লৈরগা মেটচকীনা ৫৬ শুবা মিনিটতা অর্জেন্টিনাগী ফংবা পেনালটি কোর্নর অমদা পেদ্রো ইব্রানা গোল অমগা অমুক চনশিনবা ঙমখি। মেটচকী ৬০ শুবা মিনিটতা টিম অসিমক্কী গুইদো বারিবিসনা ফিল্ড গোল অমগা চন্দুনা টিম অসিনা গোল ৪–২ দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

মেটকী ৬৭শুবা মিনিটতা ফংবা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমদা আর্জেন্টিনাগী জ্বান ইঙাকচিও গিরালিগনা অশোইবা য়াওদনা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অদুবু গোলদা ওন্থোকপগা লোয়ননা লন্দন ওলেম্পিক্কী সিলভর মেদালিষ্ট ফংখিবা নেদরলেন্দ টিমবু পাঞ্জিল ৫–২ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা পুল বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা অষ্ট্রেলিয়ানা বেলজিয়মবু য়াম্না নক্লবা গোল মার্জিনদা ৩–২ দা মায়থিবা পীখি। বেলজিয়মগী ৱহেতোননা অহানবা গোল চল্লবা মতুংদা কিরোন গ্রোভরনা ৩৩ শুবা অমদি ৪৮ শুবা মিনিটতা গোল অনি চনবা ঙমখি। বেলজিয়মগী মায়কৈদসু ৩৩ শুবা মিনিট খরা হেল্লকপা মতমদা তোম বোন্দনা গোল অমা চনখি। অদুবু ৫৩ শুবা মিনিটতা থোমাস ব্রেলনা গোল অমগা চন্দুনা গোল ২ হন্দোকপা ঙমখি। মখা তাবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থিখি।

## লুগ্রেজাং যুথ ক্লব কালিনগরনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*জিরিবাম, জনুৱারি ১০ঃ* ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন জিরিবামনা শিন্দুনা চত্থরকখিবা ২৩ শুবা কে সি মালিক মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন লুগ্রেজাং যুথ ক্লব কালিনগরনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা লুংগ্রেজাং যুথ ক্লবনা টোস ঙমদুনা ফিল্ড খনখি। অদুগা য়াইফ লমজিং ক্লব দুইবোং খুন্নৌনা বোল হৌদুনা শান্নখি। টিম অনিমক্কা মখোয় মখোয়গী টিম মায় পাক্তবা য়াদে হায়না কন্না হোৎনদুনা গোল চননবা হোৎনখি। অহানবা হাল্ফকী হৌরকপদগী হৌনা লুংগ্রেজাং যুথ ক্লবনা গোল চন্নবা হোৎনখি। অদুবু কাউন্টর এটেক্তা য়াইফ লমজিং ক্লব দুইবোং খুন্নৌনসু গোল চন্নবা হোৎনদুনা লৈখি। টিম অনিমক্কা অহানবা হাল্ফকী মতম লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈনখি।

সেকেণ্ড হাল্ফ হৌদুনা টিম অনিমক্কা মখা তানা শান্নরকখি। অদুবু সেকেণ্ড হাল্ফকী ৫ শুবা মিনিট মেটচকীনা ৫০ শুবা মিনিটতা য়াইফ লমজিং ক্লবকী এন সুর্জিৎনা গোল অমা চন্দুনা ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গোল্ড চনবা শান্নরোই ওইখি। মখা তানা বোল হৌদুনা শান্নরকখি। মেটচকী ৭৭ শুবা মিনিটতা লুংগ্রেজাং যুথ ক্লবকী রোমিওনা গোল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌবা ঙমখি। অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনিমক্কা মখা তাবা গোল্ড চনবা ঙম্নদবদগী ত্রাইবেকনা দিসাইদ তৌখি। মদুদা লুংগ্রেজাং যুথ ক্লবনা গোল ৪ চনবা ঙমখি। য়াইফ লমজিং ক্লবনা গোল অমা ফাওবা চনবা ঙমদবদগী মায়থিবা নংখি। মেটচ অদুগী মঙাশুবা মিনিটতা লুংগ্রেজাং যুথ ক্লবকী সিমোনবু য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি। মেটচকী ৫৬ শুবা মিনিটতা টিম অসিমক্কী অতোপ্পা শান্নরোই কালাওনাবুসু য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি। মেটচ অদুবু ই প্রেমকুমার, এ নবচন্দ্র, ও বিসেশ্বর অমদি এন জি জ্ঞানেশ্বরনা সেন্টর, এ আর ৱান, এ আর টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইদুনা কন্দক্ট তৌখি।

লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদকী উপ অধ্যক্ষ টি ঐচ ইবোমচা সিংহ, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্ত সিংহ, যুথ এফিয়ারস এন্দ স্পোর্টস জিরিবামগী সুপরিন্টেন্দেন্ট এম তিলোকনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুং ওইখি।

মকোক মথং তাখ্রবা টিম অনিদা কালিনগরদা লৈবা মিস প্রিতি মালিকনা মখোয়গী মবুধৌ কে সি মালিককী ট্রোফি লান্থোকপগা লোয়ননা এৱার্দশিং য়েন্থোকখি। টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ২০ না শরুক য়াদুনা শান্নরকখিবনি।



## ৫ শুবা রবিচন্দ্র মেমোরিয়েল ফুটবোলগী সেমিফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে

*মুম্বাই, জনুৱারী ১০ঃ* ক্যামগৈ আইদেল হায়স্কুল গ্রাউন্দদা এম রবিন্দ্র ত্রষ্টনা শিন্দুনা চত্থরিবা ৫ শুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ গী সেমিফাইনেলগী লাইন অপ লোইখ্রে।

অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা কে এফ সি কাঞ্চিপুরগা লিসবোন লুৱাংশংবমগা তাং ১১ গী নুংথিল পুং ২ দা অমদি অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা একাত্রেন কোংপালগা আর দি দি ৱাংখৈগা তাং ১২ গী নুংথিল পুং ২ দা শান্নগনি। ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচদা আর দি দি ৱাংখৈনা নজির যুনাইটেদ ক্ষেত্রিগাওবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি। আর দি দি গোলশিং অদু অনন্দনা ২, রাজ অমদি দিপক্না ১–১ চনখিবনি। নজির যুনাইটেদকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সুরেস রাইনা চনখিবনি।

## আই ৱাই এ মায় পাকখ্রে, ৱাই পি ও গা কে টি সিগা দ্রো ওইখ্রে

*মুম্বাই, জনুৱারী ১০ঃ* সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসন ককচিং ৱাইরিনা শিন্দুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৫ শুবা সেনা কপ দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব জুনিয়ার বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লিগ মেটচশিংদা আই ৱাই এ ককচিং মায় পাকখ্রে, ৱাই পি ও সোরা অমদি কে টি সি ককচিং গোল ১–১ দা দ্রো ওইখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচতা আই ৱাই এ না জে এ ককচিংবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি। আই ৱাই এ গী গোলশিং অদু হেম্বনা ২ অমদি রিসিকান্তনা ১ চনখিবনি। অনিশুবদা শান্নখিবা ৱাই পি ও অমদি কে টি সিগী মেটচ অদুগী ৱাই পি ও গী গোল অদুনা অলিখাননা ৩০ শুবা মিনিটতা অদুগা কে টি সিগী গোল অদুনা গুনেননা ৩৮ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

## সেরেনা ৱিল্লিয়মসু চহি ১দা গ্রান্দস্লাম টাইটল ৪ লৌবা শান্নরোই ওইরি



*লন্দন, জনুৱারী ১০ঃ* ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সেরেনা ৱিল্লিয়মগী কোচনা ফোঙদোকখিবদা চহি অমদা শান্নরোই অমনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ৪ লৌবা ঙম্বা অসি ইং ১৯৮৮ তগী ঙসি ফাওবদা মথন্তা ঙাইরি হায়না মহাক্কী কোচ ওইরিবা পেত্রিকনা ফোঙদোকখ্রে।

পেত্রিকনা মখা তানা হায়খিবদা অমেরিকাগী শান্নরোই অসিনা চহি অমদা অষ্ট্রেলিয়ান ওপনদগী হৌরগা ৱিমব্লেদন ফাওবগী গ্রান্দস্লাম ৪ পুন্না ফংখিবা শান্নরোই অসি অহানবা ওইনা ইং ১৯৮৮ তা ষ্টেফি গ্রাফকী হেক মথংদা ইং ২০০৩ দা সেরেনানা ওইরে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা চহি অমদা মহাক্না টোপ প্লেয়ার কয়াগা হঞ্জিন হঞ্জিন্না থেংনবগা লোয়ননা হান্নদগী হেন্না হৈ শিংনা থেংনবনা হন্দক্কী চহি ২০১৪ অসিদা ওইগদৌরি। মমাংগী চহিদা মহাক্না শান্নরোই কয়া মায়থিবা পীরমদুনা টাইটল কয়া লৌখি। চহি অদুদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মহাক্না ৩৪ মায় পাকপা ঙমখি। মমাং চহিগী ৱিমব্লেদনদা শান্নরোই অসিনা ৪ শুবা রাউন্দদা সবিনি লিসিক্কী মখুৎতা ৱিমব্লেদনগী মেটচতা মায়থিদুনা লৈহৌখি। মসিনা ২০১৩ অসিদা মহাক্না তমজনিংঙাই ওইবা অমা ওইবগা লোয়ননা অকনবা মওংদা হেন্না প্রক্টিস তৌনবা মঙোন্দা হায়রকখিবা লৈ। প্রক্টিসতা হেন্না কন্না হোৎনখি।

অমেরিকাগী শান্নরোই অসিনা হন্দক্কী চহি অসিদসু চপ মান্নবা টুর্নামেন্ট কয়া শরুক য়াগনি। অদুবু চহি অসিগী অহৌবা মতমদা পাঙথোকখিবা ব্রিজবেনি দব্লিউ টি এগী মেটচতা মহাকপু মায়থিবা পীরম্বা মারিয়া সরাপোভা অমদি ভিক্টোরিয়া অঝারেনকাবু মায়থিবা পীবা ঙমখ্রে হায়খি।

## গোল্ড ৪ লৌগনি

*লন্দন, জনুৱারী ১০ঃ* ফেব্রুৱারি ৯ দগী রুসিয়াগী সোচিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিন্টর ওলেম্পিক্তা চাইনানা গোল্ড মেদল ৪, সিলভর ৪ অমদি ব্রোঞ্জ ৪ লৌগনি হায়না জিন হুৱা না রিপোর্টি তৌদুনা ফোঙদোরক্লি। লন্দন ওলেম্পিক্তা চাইনানা গোল্ড মেদল ৩৭, সিলভর ৩৩ অমদি ব্রোঞ্জ ২৩ ফংদুনা অনিশুবা তাখিবনি।

## যোগেস ১ দি পঙ্কজ সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*মুম্বাই, জনুৱারী ১০ঃ* এয়ার ইন্দিয়া অমদি মহারাষ্ট্র কেরোম এসোসিয়েসন অনিগী মীৎয়েংখাদা পাঙথোক্লিবা ওল ইন্দিয়া পব্লিক সেক্টর কেরোম টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ক্বাটর ফাইনেলগী মেটচশিংদা মায় পাক্তুনা যোগেস অমদি পঙ্কজ সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা নেস্লেল চেম্পিয়নসু ওইরিবা এয়ার ইন্দিয়াগী এম নত্রাজবু এয়ার ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই পঙ্কজ পৱাননা ২৫–৬, ২৫–৬, ২৫–৯ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। এয়ার ইন্দিয়াগী শান্নরোই মুঃ গুল্ফরানবু এল রাকেশ সিংহনা ১৫–২৫, ২৫–৮, ২৫–৩ দা মায়থিবা পীখি অমসুং আর এম সঙ্করনা এয়ার ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই নিসিঘান জামিরগী মখুৎতা ২৫–০, ২৫–১৪ দা মায়থিবা নংখি। জামির মমাংগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দদা কে শ্রীনিভাসপু ২৫–২০, ৬–২৫, ২৫–৩ দা মায়থিবা পীরমদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখিবা শান্নরোই অমনি।

নুপীগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা রিজার্ভ বেঙ্ককী কবিতা সোমাচিনা ইন্দিয়ান ওইলগী নেস্নেল চেম্পিয়নসু ওইরিবা পরিমলা দেবীবু ২৫–১৮, ২৫–২০ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অমসুং নেস্নেল চেম্পিয়ন ওইরিবী ও এন জি সিগী রসমি কুমারিনা ইন্দিয়ান ওইলগী খুসবু কুমারিবু ২৫–৭, ২৫–২ দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রে। অতোপ্পা ক্বাটর ফাইনেলগী মেটচতা ইন্দিয়ান ওইলগী কাজল কুমারিনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবী এস অপ্রোভাবু ২৫–২০, ২১–২৫, ২৫–১৭ তা থোইখ্রে।

## দিল্লিগী নুপী বোক্সর অমা অচেনবা ত্রেনদগী ওন্থখ্রে

*লক্ষ্ণৌ, জনুৱারী ১০ঃ* উত্তর প্রদেশকী মনুং চন্না লৈবা ফাজিয়াবাদ দিষ্ট্রিক্টতা নিউ দিল্লিদা লৈবা ব্রুমেন বোক্সর অমা হুরানবশিংনা পোৎ চৈ মুনখিবদগী অচেনবা ত্রেনদগী ওন্থখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি দিল্লিদা লৈবা ব্রুমেন বোক্সর অসিনা ফরাকা এক্সপ্রেসতা তোংদুনা লাকখিবনি হায়রি। মহাক্না তোংলিবা ত্রেন অদুদা হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুমিদাংদা ত্রেন মনুংদা লৈবা হুরানবশিংনা মহাক্কী পোৎ চৈশিং হুননবা থৌরাং তৌরকখি। মদুদা শান্নরোই অসিনা পোৎ হুরাল্লিবা মীওইশিং অদুগা মহাক্কী বেগ চিংনবদা ত্রেন্দদগী তাকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি গভর্নমেন্ট ওফ রেলৱে পুলিসনা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদু ফানবা থিজিন খোৎচিনবগী থবক চত্থবা হৌখ্রে হায়রি। ত্রেনদগী তাহৌরিবা শান্নরোই অদুগী মমিং সিমরান বর্মা কৌই।

ত্রেনদগী তাহৌবা অদুদা মহাক্কী খোঙদা শাথিনা শোকপদগী হোস্পিটালদা লাকন্নখি। থৌদোক অসি শান্নরোই অসিনা বানরস হিন্দু য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকপা বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অমা য়াওরুরগা হল্লকপগী লম্বীদা মোধা রেলৱে ক্রোসিংদা থোকখিবনি। বোক্সর অসিবু পুলিসনা দিল্লি য়ৌগদবা কাইফিয়াৎ এক্সপ্রেসতা থাখ্রে হায়রি।

মহাক মহাক্কী টিম মেট পৱান শাগর অমসুং সুরেন্দ্রগা লোয়ননা লাকমিন্নখিবনি হায়না রেলৱে ওফিসার অমনা ফোঙদোকখি। শান্নরোই অসিনা ফোঙদোকপদা হুরানবশিং অদুনা মঙোন্দগী মুনখিবা বেগ অদুদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩০ অমদি অতৈ পোৎলম কয়া য়াওই হায়রি।

এদিস্নেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (রেলৱে) গী থবক পুরিবা আর এস গৌতমনা ফোঙদোকপদা বোক্সর অসিদা এটেক তৌরম্বা মীওইশিং অদু পুলিসনা ফানবা থৌরাং লৌখৎলে।


Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

SL/29/19/B

ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)

URIPOK POLEM LEIKAI

ADMISSION OPEN FOR

MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H. (Catholic) 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H. (St. Joseph) 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh. (LFS) 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj (St. Joseph) 14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G. (NBS) 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana (PS Ningthoukhong) 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th. (NBS) 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro (Heritage) 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK. (Alpha BCI) 20th RANK | (78.4%) |

MEGA MOCK TEST 2014

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726